বুন্দেসলীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিক এফ সীনা য়ুনিয়ন বর্লিন এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে



বর্লিন, মে ১৮ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা জর্মনিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেসলীগা চহী অসিগী মার্চথাগী ময়াই চনশিল্লকপদা লেপ্পুরবা মতুং নৌনা ভাবোক য়াওদনা শান্নবা হৌরকপদা ঙরাং টুর্নামেন্ট অসিগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকনা য়ুনিয়ন বর্লিন এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লীগ অসিগী ঙরাং অথেংবদা ওলটে ফোরষ্টেরৈ ষ্টিদিয়মদা শান্নখিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ২৬শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা লীগ অসিগী হান্নদগী মাংজিল থাদুনা লাক্লবা বেয়র্ন ম্যুনিক ফুটবোল ক্লবনা এফ সী য়ুনিয়ন বর্লিনগা লম্বা তৌরকপদা অহানবা হাফ অদুগী পুংখাই হেল্লবা মতম ফাওবদা লেং মান্নদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী মিনিট ৪০ চঙশিল্লকপদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর পোলেন্দ মচা রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা বেয়র্ন ম্যুনিক্না য়ুনিয়ন বর্লিনবু পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনখি।

বেয়র্ন ম্যুনিক ঙরাংগী মেচ অদুগী মাংওইনদা লোকদাউন মমাঙদা শান্নখিবা লীগ মেচ ২৫দা মেচ ১৭ মায় পাক্লবা মতুং মেচ ৪ মায়থীবা নংখিবা অমদি মেচ ৪ দ্রো চৎখিবা মরম্না পোইন্ট ৫৫ ফংলগা অতোপ্পা টিম ১৭তগী মাংজিল থাদনা লৈরম্বনি। অমরোমদা য়ুনিয়ন বর্লিন বুটবোল ক্লবনা মমাঙগী লীগ মেচ ২৫ শান্নবদা মেচ ৯ থোইখিবা অমদি মেচ ৩ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ১২ মায়থীদুনা অপুনবা পোৎন্ট ৩৩ ফংগা ১০ শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা এফ সী বেয়র্ন ম্যুনিক্না য়ুনিয়ন বলির্ন এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। টিম অদুগী রোবর্ট লিৱন্দোস্কিনা অহানবা হাফতাচনখিবা পাঞ্জল অদুগী মতুং অশিবা হাফকী অয়াম্বা মতমদসু টিম অদুগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা হোৎনবদা য়ুনিয়ন বর্লিনগী দিফেন্দরশিংগা মখা তানা শান্নবদা মায় পাকপা ঙমখিদে। শান্নবা লোইগদবা মিনিট ১০দা ঙাইশিল্লক্লবদা বেয়র্ন ম্যুনিক এফ সীগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা জোসুৱা কিমিসনা খাইদোরকপা বোল অমদা বেঞ্জামিন পবার্দনা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC Bayern München | 26 | 18 | 4 | 4 | 75 | 26 | 49 | 58 |
| 2 | Borussia Dortmund | 26 | 16 | 6 | 4 | 72 | 33 | 39 | 54 |
| 3 | Borussia Mönchen | 26 | 16 | 4 | 6 | 52 | 31 | 21 | 52 |
| 4 | RasenBallsport Leipzig | 26 | 14 | 9 | 3 | 63 | 27 | 36 | 51 |
| 5 | Bayer Leverkusen | 25 | 14 | 5 | 6 | 45 | 30 | 15 | 47 |
| 6 | Wolfsburg | 26 | 10 | 9 | 7 | 36 | 31 | 5 | 39 |
| 7 | Freiburg | 26 | 10 | 7 | 9 | 35 | 36 | -1 | 37 |
| 8 | Schalke 04 | 26 | 9 | 10 | 7 | 33 | 40 | -7 | 37 |
| 9 | Hoffenheim | 26 | 10 | 5 | 11 | 35 | 46 | -11 | 35 |
| 10 | 1. FC Köln | 26 | 10 | 3 | 13 | 41 | 47 | -6 | 33 |
| 11 | Hertha BSC | 26 | 8 | 7 | 11 | 35 | 48 | -13 | 31 |
| 12 | 1. FC Union Berlin | 26 | 9 | 3 | 14 | 32 | 43 | -11 | 30 |
| 13 | Eintracht Frankfurt | 25 | 8 | 4 | 13 | 39 | 44 | -5 | 28 |
| 14 | Augsburg | 26 | 7 | 6 | 13 | 37 | 54 | -17 | 27 |
| 15 | Mainz 05 | 26 | 8 | 3 | 15 | 36 | 55 | -19 | 27 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 26 | 5 | 8 | 13 | 27 | 50 | -23 | 23 |
| 17 | Werder Bremen | 24 | 4 | 6 | 14 | 27 | 55 | -28 | 18 |
| 18 | SC Paderborn 07 | 26 | 4 | 5 | 17 | 30 | 54 | -24 | 17 |

বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২০

# এফ সী রু ব্রেষ্টনা এফ সী স্মোলিভিসিগা শান্নবদা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবদগী থাক অমা হায়গৎপা ঙমখ্রে



মিন্সক, মে ১৮ (এজেন্সী): মালেম শীনবা থুংদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা চৈথেং পীদুনা শান্নবগী লমদা মফম খুদিং হান্না শান্নরম্বা ইন্টর্নেসনল অমদি দোমেষ্টিক ইভেন্ট পুম্নমক লোকদাউননা মরম ওইরগা থিংখ্রবসু য়ুরোপকী ওইনা অথিংবা মরক্তা শান্নবা লেপখিদবা বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৯শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা এফ সী রু ব্রেষ্টনা এফ সী স্মোলিভিসিগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবদগী রু ব্রেষ্ট লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা থাক অমা হায়গৎলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

থা অসিগী ১৬কী অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অমদা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা বাটে বোরিসোবনা এফ কে স্লুস্কপু পাঞ্জল ৩-০দা য়াম্না হেন্না পাঙ্গল লৈনা মায়থীবা পীদুনা হান্না পোইন্ট ১৬ ফংদুনা লৈরম্বা অদু ১৯ ফংলগা বেলারসিয়ন প্রেমিয়ম লীগ অসিগী টিম ১৬কী লম্বা অসিদা পোইন্ট ১৯ ফংলগা মাংজিল থাবা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা ৯শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা হান্নগী রাউন্দ ৮ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৯ ফংলগা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ইস্লোক এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা দাইনামো মিন্সক পোইন্ট ১২ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখি।

ঙরাং অথেংবদা মিন্সক সিটিগী য়ুনোস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৯শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা এফ সী রু ব্রেষ্ট অমসুং এফ সী স্লোমলিভিচি লম্বা তৌনবনি। রু ব্রেষ্টকী টিম অসি ৮শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১২ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা টিম অসিগী লম্বা ওইখিবা এফ সী স্মোলিভিসি রাউন্দ ৮ শান্নখ্রবা মতুং মেচ অমা ফাওবা মায় পাক্তনা মেচ ৩ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৫ মায়থীদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা ১৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

ঙরাংগী মেচ অদুদা স্মোলিভিসিগী মায়কৈদগী মায় পাক্তুনা পোজিসন হেনগৎনবা হোৎনখি। চপ মান্নবা মওংদা এফ সী রু ব্রেষ্টসু মখোয়না লৈরিবা লীগ টেবদল অদুগী পোজিসনদগী থাক হায়গৎনবা হোৎনখি।

টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা পোইন্ট ১/১ য়েন্নখিবদগী রু ব্রেষ্ট পোইন্ট ১৩ ফংলগা ৮শুবদা হায়গৎখি। স্মোলিভিসি পোইন্ট ৪ ফংলগা ১৫শুবা পোজিসনদা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | BATE Borisov | 9 | 6 | 1 | 2 | 19 | 9 | +10 | 19 |
| 2 | Torpedo-BelAZ | 9 | 5 | 3 | 1 | 12 | 5 | +7 | 18 |
| 3 | Energetik-BGU | 9 | 6 | 0 | 3 | 12 | 9 | +3 | 18 |
| 4 | Slutsk | 9 | 5 | 1 | 3 | 15 | 14 | +1 | 16 |
| 5 | Shakhtyor Soligorsk | 9 | 4 | 3 | 2 | 11 | 3 | +8 | 15 |
| 6 | Isloch Minsk Raion | 9 | 5 | 0 | 4 | 11 | 13 | −2 | 15 |
| 7 | Dynamo Brest | 9 | 4 | 1 | 4 | 12 | 10 | +2 | 13 |
| 8 | Rukh Brest | 9 | 3 | 4 | 2 | 7 | 5 | +2 | 13 |
| 9 | Dinamo Minsk | 9 | 4 | 0 | 5 | 12 | 10 | +2 | 12 |
| 10 | Vitebsk | 9 | 3 | 3 | 3 | 7 | 9 | −2 | 12 |
| 11 | Slavia Mozyr | 9 | 3 | 2 | 4 | 10 | 14 | −4 | 11 |
| 12 | Gorodeya | 9 | 3 | 2 | 4 | 6 | 10 | −4 | 11 |
| 13 | Minsk | 8 | 3 | 1 | 4 | 12 | 16 | −4 | 10 |
| 14 | Neman Grodno | 8 | 2 | 2 | 4 | 9 | 11 | −2 | 8 |
| 15 | Smolevichi | 9 | 0 | 4 | 5 | 6 | 14 | −8 | 4 |
| 16 | Belshina Bobruisk | 9 | 0 | 3 | 6 | 7 | 16 | −9 | 3 |

# লোকদাউন ৪.০গী কাংলোনদা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমসুং ষ্টেদিয়মশিং কোমথোরকপদা শান্নরোয়শিংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি







ন্যু দিল্লি, মে ১৮ (এজেন্সী): চহীসিগী মার্চ ২৪দগী ইন্দিয়া লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৈবাক শিনবা থুংদা লোকদাউন থমখিবা অদুগী মতুং তাঙ্কক অনী থোক্না লোকদাউন অমুক হন্না থমখ্রগা মরিরকশুবা লোকদাউন থা অসিগী ৩১ ফাওবা থমখিবা অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা লোকদাউন অসিগী চৎনা কাংলোনশিংগী মনুংদা স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিং অমদি ষ্টেদিয়মশিংদা অথিংবা লৈরম্বা অদু কোমথোরকপদা শান্নরোয় কয়ানা থাগৎপা ফোঙদোক্লুরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী মায়কৈদগী লোকদাউন ৪.০ লাউথোরকপদা থমখিবা চৎনা কাংলোনশিং অদুগী মনুংদা লৈবাক অসিগী শীনবা থুংনা লৈরিবা স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিং অমদি ষ্টেদিয়মশিংদা থল্লম্বা অথিংবা অদু কোমথোক্তুনা শান্নরোয়শিংনা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাংলোন ঙাকপগা লোয়ননা ফিল্দদা চংদনা ট্রেনিং অমসুং শান্নবা য়াগনি হায়বগী মতাং অদুদা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনগী শান্নরোয়শিংনা লৈঙাক্কী ৱারেপ অদুবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী মায়কৈদগী ঙরাং লাউথোরকপা চৎনা কাংলোন অদুদা ষ্টেদিয়মশিং অমদি স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিংদা শান্নরোয়শিংনা হান্নগুম্না চংদুনা ট্রেনিং চথবা য়ারবসু সোসল দিষ্টেন্সিং থম্বগা লোয়ননা অয়াবা পীরবসু ভাবোকশিংচংবদি অথিংবা থল্লি।

খোঙথাং অসিদা তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয় কয়ানা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা কিরেন রিজিজুগী খোঙথাং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

রেষ্টলিংগী লমদা মমিং লৈরবী কবিতা ফোগৎনা ফোঙদোরকখিবদা টোকিও ওলিম্পিক্স গেমস ২০২১গীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা শান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং চথবদা অচৌবা কান্নবা অমা ফংলগনি হায়খি।

ওলিম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইরবা শুট্টর অভিসেক বর্ম্মনসু মহাক্তা নত্তনা অতোপ্পা শুট্টরশিংনা ইন্টর্নেসনলগী থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শুট্টিং রেঞ্জশিংদা মখা তানা ট্রেনিং ফংগদদৌরিবা অসিদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

## এ এফ আই ষ্টার্টর্স ওনলাইন সেমিনার


ইম্ফাল, মে ১৮ (ঐচ এন এস): এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই)না শীন্দুনা পাঙথোকপা এ এফ আই ষ্টার্টর্স ওনলাইন সেমিনার হৌখ্রে।

ঙসিগী নুংথিল পুং ২.৩০দগী সেসন মরি থোক্না পাঙথোকপা হৌখিবা ষ্টার্টর্স ওনলাইন সেমিনার অদুদা মণিপুরদগী ক্বালিফাই ওইরবা টেক্নিকেল ওফিসল ৩, কৈসাম জয়াদেব, লুক্রাম মধুমনি অমসুং ডা. কোন্থৌজম কোসনা মৈতৈনা শরুক য়াখি।


সেমিনার অসি ইন্টর্নেসনল ষ্টার্টর্স ওইনা মমিং খঙনরবা য়ুনাইটেদ কিংদমগী অলান বেলনা গেষ্ট স্পিকর ওইগদৌরি। ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা এথলেটকী ওফিসলশিংনা থা অসিগী ১৬ ফাওবদা মমিং পীশিল্লবা মতুং এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা খনগৎলগা পাঙথোকপা অহানবা এ এফ আই ষ্টার্টর্স ওনলাইন সেমিনারনি।

এথলেটিক্স মশান্নাগী ওইনা টেক্নিকেল ওফিসলশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিং অদুগী মতাংদা এ এফ আইনা লৌখৎলকপা ওনলাইনগী সেমিনার অহানবনি। হয়েং সেমিনার অসিগী অনীশুবা সেসন অদু নুংথিল পুং ৩.৩০দগী হৌগনি। সেমিনার অসিনা ওফিসলশিংদা কান্নবা কয়া পীগদৌরি।

# স্পেনদা ফুটবোল লীগ টিমগী শান্নরোয় পুম্নমক গ্রুপ ট্রেনিং হৌননবা অয়াবা পীখ্রে









মাদ্রিদ, মে ১৮ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা চাওনা চৈথেং ফংলবা স্পেনদা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নরিবা স্পেনিস ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী লেমহৌরিবা মেচশিং শান্নবা য়াদনা লৈরকখিবা অদু লোইশিন্নবগী পান্দমদা অকক্লবা মতম অমা লেপ্পবা ৱারেপ লৌনরিঙৈ লীগ টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং চথবগী অয়াবা পীখ্রে।

স্পেনগী সিটি মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলোনাদা লৈবাক অদুগী লৈঙাক্না থমখিবা অথিংবশিং অদু চাওনা কোমথোকপা লৈত্রি। অদুবু লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী মকোক থোংবা টিম অনী, রিএল মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলোনাগী টিমদা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ট্রেনিং চথবদা অয়াবা পীখি।

ঙসি লীগ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা স্পেনগী তোঙান-তোঙানবা সিটিশিংদা লোকদাউনগী অথিংবা লৈরবসু টিমশিং অদুনা লৈরিবা ক্লবকী ফেসিলিটিশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইন্দিভিজ্যুল ট্রেনিং চথবা য়াহনখিবা অদুগী মথক্তা গ্রুপ ট্রেনিংসু য়াহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

স্পেন লৈঙাক্না লোকদাউনগী অথিংবা অদু তপ্না তপ্না লৌথোরক্লবসু অথিংবা থল্লিবা অকক্লবা সিটিশিংদা শান্নরোয় ১০না ক্লবশিং অদুগী ট্রেনিং ফেসিলিটিশিংদা সেসন অমদা পুন্না শরুক য়াবা য়াহল্লগনি হায়রি। অমরোমদা, লাইচৎ অসিদা কা হেন্না চৈথেং পীরিবা সিটিশিং অদুদা শান্নরোয় ১৪না গ্রুপ শারগা ট্রেনিং চথবা য়াহনগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা ট্রেনিং মখা চথদ্রিঙৈদা লৈঙাক্কী পোলিসিগী অকুপ্পা ৱারোল পাম্লি



ন্যু দিল্লি, মে ১৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা লৈবাক অসি শীনবা থুংনা চহীসিগী মার্চকী অরোইবা চয়োলদগী থল্লকখিবা লোকদাউননা মরম ওইরগা শান্নবগী লমদা অথিংবা কয়া থল্লকখিবা অদুগী মখা তারকপা মরিশুবা তাঙ্কক্কী লোকদাউন থা অসিগী ৩১ ফাওবা শাংদোরকপগী অনৌবা কাংলোনদা ষ্টেদিয়ম অমদি ট্রেনিং সেন্টর পুম্নমক হাংদোক্লগনি হায়না ফোঙদোরকখিবা অদু তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ফেদরেসনগী মায়কৈদগী অকুপ্পা ৱারোল অদু পাম্লি।

ঙরাং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রনা লোকদাউন ৪.০গী চৎনা কাংলোনশিংগী মনুংদা স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিংদা লৈরিবা ফেসিলিটিশিং অমদি ষ্টেদিয়মশিং অদুশান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং চথবদা য়াহল্লগনি। অদুবু ভাবোকশিংদি চংহনবা য়ারোই হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

মরক অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা মখোয় মখোয়গী দিসিপ্লিনশিং অদুগী মখাদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং চথবগী অয়াবা অদু পীদ্রিঙৈগী মাংওইননা লৈঙাক্কী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকুপ্পা ৱারোলশিং অমদি মরিক চুম্বা হিরমশিংগী মতাংদা খঙবা পাম্লি।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া সেন্টরদা লৈরিবা নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কি শান্নরোয়শিংনা হৌখিবা থা অনী অসি ফিল্দদা থোক্তনা মশা-মশাগী কাদা লৈরকখিবা অদু হোক্কি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ট্রেনিং চথনবগী থবক অদু লৈঙাক্তগী চুনবা কাংলোন অমদি অয়াবগী ৱারোল ঙাইদুনা লৈরি। ঙসি হোক্কি ইন্দিয়ানা শান্নরোয়শিং অদুনা হোক্কি পিচতা ট্রেনিং চথবা য়াবগী অয়াবা অদু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঙাইরি হায়রি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, রিজনেল সেন্টরগী দিরেক্টর অজয়কুমার বালনা ফোঙদোকখিবদসু লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা সেন্টরশিংদা মখা তাবা শান্নবগী এক্টিভিটিশিং লৌখৎনবগী মতাংদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকুপ্পা ওফিসল ওইবা ৱারোল ঙাইহ্রি হায়রি।

এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট এদিল সুমারিৱালানসু পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা পন্দুনা লৈরিবা এথলেট অমসুং ৱেথলিফটরশিংনা মখোয় মখোয়গী অকক্লবা ট্রেনিংশিং অদু মখা তানা চথবা য়ানবা অকক্লবা কাংলোনশিং অদু ঙাইরি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা ষ্টেদিয়ম অমদি স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিংদা অথিংবা লৌথোক্লে হায়রবসু শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং য়াওনা কোচশিংগী শাফবনা মাংওইনরগা হয়েং শোইদ্রিঙৈদা চেকশিলহৌবা পাম্লি।

# স্কোটিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল সেল্টিক এফ সীনা চহী ৯ থংন-থংননা লৌবা ঙমখ্রে



গ্লাসগো, মে ১৮ (এজেন্সী): স্কোটলেন্দগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা স্কোটিস ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লোইশিনবা ঙমদনা লৈখিবা অদু ঙসি মখা তানা শান্নররোই হায়না লাউথোকখিবদগী মমাঙদা চহী ৮ থংন-থংননা টাইটল ফংলকখ্রবা সেল্টিক ফুটবোল ক্লবনা ৯লকশুবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

স্কোটলেন্দদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মার্চকী ময়াই চনশিল্লকপদগী স্কোটিস প্রেমিয়রসিপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট লেপখিবা অদুগী মাংওইননা সেল্টিক ফুটবোল ক্লবনা টুর্নামেন্ট অদুগী লীগ টেবলদা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্নবা ক্লব অদুদগী পোইন্ট ১৩ হেন্দুনা লৈখিবনি।

লীগ টুর্নামেন্ট অদুগী ওইনা গেম ৮ শান্নগদবা ৱাৎলিবনি। অদুবু লীগ টুর্নামেন্ট অসি মখা তানা শান্নরবসু সেল্টিক ফুটবোল ক্লবনা হেল্লিবা পোইন্ট অদু মখোয়গী খ্বাইদগী নক্নবা টিম ওইখিবা রেঞ্জর্স ফুটবোল ক্লবনা মায় পাক্লবসু লানখৎপা ঙম্লোইদবা অমদি লীগ অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিতিনা শেমখিবা কাংলোন য়েংলুরবসু অহোংবা লৈরোইদবা মরম্না টাইটল অদু সেল্টিক্না লৌখিবনি।

স্কোটিস প্রোফেস্নেল ফুটবোল লীগ বোর্দ (এস পি এফ এল)না লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না লেমহৌবা গেমশিং অদুদা টিম খুদিংমক পোইন্ট অমমম পীরগা লীগ টেবল অদুগী অরোইবা শক্তম অমা শেমখি। মদুদা সেল্টিক ফুটবোল ক্লবনা মকোক ওইখিবনি।

এস পি এফ এলনা লৌখিবা ৱারেপনা স্কোটিস প্রেমিয়র লীগ অসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিং অদুসু খঙবা লোইবনা ক্লবশিং অদুনা লৈরিবা পোজিসনশিং অদু য়েংলগা ফংগদৌরিবা শেলগী মনা অদুসু অথুবদা লাউথোক্লগনি হায়খি।

বোর্দ অদুনা ঙসি অয়ুক মীফম অমা ফম্লগা টিমশিং অদুগী ওইবা বৃটিস পাউন মিল্লিয়ন ৭ (য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৮.৫)গী শেলগী মনা অদু ক্লবশিং অসিদা অথুবা মতমদা য়েন্থোকপা ঙম্লগনি হায়খি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com